Tuesday, April 30, 2019, Imphal

HUEIYEN LANPAO

## ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় সিনপাংলুপ (এইমস) কী ৭লকশুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা পারী-পুরীগী লীল্লমদা য়েলহৌ শক্তম কন্নবা কখোল্লবা ঈ হায়না মিংথোনবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা মে ১৮ দা জেনিমসতা পাঙথোক্লগনি হায়না এইমসকী সেক্রেটরি পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চহীসিগী মে ২২ দা এইমসকী ৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা মে ১৮ দা জেনিমসতা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোক্কনি। সোসল সার্ভিস কেম্প অমদি স্কুল-কোলেজশিংদা উ চারা থাবগী থবকসু পাঙথোক্কনি। থৌরমশিং অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা শেলগী অমদি পোৎলমগী অচৌবা পোৎলুম অমা লৈবনা মরম ওইরগা লৈবাক মীয়াম্না অঙন্বা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ঈশৈ ময়েক থাজিল্লকপা য়াগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): আর্টিষ্ট ট্রেনিং কম এদ্যুকেসনল রিছার্স সেন্টর, ৱাংখৈ অয়াংপল্লি রোদনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ঈশৈ চাংদম্নবা কুমসি চহীগী ওইনসু ওগষ্ট ১৩, অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎকা মরী লৈননা পাঙথোক্লগনি। নুমীৎ অসিদা শীজিন্নগদবা ঈশৈ ময়েকশিংগীদমক লমদমসিদা লৈরিবা ঈশৈ ময়েক ইবশিংনা ময়েক থাজিল্লকপা য়াগনি হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইশাগী শক্তাক চে অমদি নমথোল্লবা ঈশৈ ময়েকশিং শরুক য়াগদৌরিবা পার্টিসিপেন্টশিংনা ফোর্ম থাজিল্লকপা মতমদা হাপকদবনি। মে ১৮ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলশিং মখা তানা খঙবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ৱাই মেম্মনা ময়াই তাংবল লৌদুনা হুইকপকী মৈরা, ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগা পুন্না মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মীফম অদুদা নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী মশা লোয়শঙ অমা হাংদোকখ্রে। নৌনা হাংদোল্লবা মশা লোয়শঙ অসিনা লৈবাক্কী থৌদোক ৱাথোক কয়া লাকপদা পুন্না শরুক য়ামিন্নবা অমদি লৈকায় লৈকায়দা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োল্লিবা অমসুং চাবশিং পুন্নমক থিংমিন্নবা হায়না অমত্তা য়ানখ্রে। নৌনা হাংদোল্লবা মশা লোয়শঙ অসিগী থৌ পুগদবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা লাইথাংবম য়াইমাবি, ভাইস প্রসিদেন্টতা সনসম থম্বালঙৌ, সেক্রেটরিদা নোংথোম্বম অচৌবি, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিদা নেংথোম্বম ললিতা অমদি পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা মাইবম সনানুনি হায়রি।

## ময়াং ইম্ফাল পি ঐচ সীগী ফীভম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপ (নিম্পাল)না ময়াং ইম্ফাল পি ঐচ সীগী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

নিম্পালগী সেক্রেটরি জেনরেল শান্তি লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নিম্পাললনা ময়াং ইম্ফাল পি ঐচ সীদা চৎতুনা ষ্টাফশিংগা ৱারী শানখি। এম বি বি এস অমা, অয়ুশকী মঙা পুন্না তরুক্লা থবক পুরম্মী। ষ্টাফশিংগী মরক্তা এটেন্দেন্স রেজিষ্টর চাং নাইনা সাইন তৌদবা থেংনৈ। য়ারিবমখৈ পি ঐচ সীদা থবক তৌরিবা ডোক্তরশিং, নর্সশিং, ষ্টাফশিংনা চাং নাইনা ওফিস কাবীয়ু। হায়রিবশিং অসিগী ৱাংমদা লৈরবদি মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ৱাকৎতুনা এক্সন লৌখৎনবা হোৎনগনি। নিম্পাললনা তঙাইফদনা নুপীশিংগী হকশেলগী মতাংদা ফজনা য়েংশিনবীনবা হোৎনবনি।

মীরোনবীশিংদা পীজনবা কেলসিয়ম ফংহৌদবা নুংঙাইতে। লাইবক থীবদি ময়াং ইম্ফাল পি ঐচ সীগী ও পি দি বিল্ডিং অসি চহীসিগী ফেব্রুৱারীদা শঙ্গাখ্রে। বিল্ডিং অসিগী টোইলেট ঈশিংগী পাইপ হাপতে। টাইল নপ্লিবা অসিসু ফকৎলে। অঙাং পোকফমগী টোইলেট অসি ঙমথবনা মরম ওইরগা ঈশিং থুল্লে। অনাবাশিং অৱাবা মায়োক্লরে। লেবর রুম অমসুং মাইনর ও টিগী ৱাশ বেসিন লৈতে। রুম পুন্নমক্তা টাইলশিং অসি ক্বালিটি য়াওদবনিনা ফকৎলে। এক্সরে মেছিন লৈরবসু রুম মতিক চাদবনা শীজিন্নদনা লৈরি। মীগী থৱায় কনগদবা পি ঐচ সী অসিদা ক্বালিটি মেন্টেন তৌদনা শীজিন্নরম্বা অসি অথুবা মতমদা ফীভম তানা শেমজিনবীয়ু। করিগুম্বা শেমজিনবীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু মখা তারি।

# চদোং টুরিষ্ট স্পোট ওইরকপনা লৈঙাক্লা রেস্ক্যু টিমনচিংবা থমদুনা মীৎয়েং চঙফম থোকই : বিজয়



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): চদোংগী ঈশিং অসি টুরিষ্ট ময়াম্না য়েংবা লাকপা অমদি মোটোর বোটনচিংবা তোংনবা মরুওইবা টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন ওইরকপনা লৈঙাক্লা রেস্ক্যু টিমনচিংবা থমদুনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়না নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) মণিপুর ষ্টেট প্রসিদেন্ট ডা. এন জি বিজয়না ফোঙদোকখ্রে।

এন ঈ আই দি পিগী মীহুৎ কাঙবু অমনা ঙসি চদোংদা চৎতুনা মফম অদুদা হৌজিক ঈশিংদা লুপখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরিবশিং থি-হুম্বগী থবক চত্থবগী ফীভম য়েংখি। খোঙচৎ অদুদা ডা এন জি বিজয়না ফোঙদোকখিবদা, মফম অসিদা লম কোয়বা ময়াম লাক্তুনা ঈশিংদা বোট তোংবগী চাং অসি ৱাংখৎলক্লি। টুরিষ্টকী মরুওইব মফম ওইরকপনা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙদুনা রেস্ক্যু টিমনচিংবা থম্বা তঙাইফদে। বোটতা তোংলিবশিংসু লাইফ জেকেটনচিংবা পীবা তঙাইফদে। মফম অসিদা বোট তোংবদা মী লুপখিদুনা থিবা খঙদনা লৈরিবা অসিগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

লৈঙাক্লা গো টু হিলসকী প্রোগ্রামনচিংবা কয়া পায়খৎলি। টুরিষ্ট স্পোট অসিগী মতাংদসু লৈঙাক্লা নীংথিনা য়েংশিনবা চঙই। মফম অসিদা বোটনচিংবা সার্ভিস তৌজরিবা অসিসু হিংনবগী লম্বী থিরিবনি। লৈঙাক্লা চঙফম থোকপা মীৎয়েং নীংথিনা চঙবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়ারদুনা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা এন ঈ আই দি পিগী মীরেপ ওইখিবা অসাং কসারনা হায়খি, চদোং অমসুং রমরৈ ভিলেজগী মরক্তা লম কোয়বা লাকপা মীওই কয়া বোট লুপ্পদা য়াওখিবা অমদি মীওই অহুম্না হৌজিক থিবা খঙদনা লৈরিবা অসিদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। মফম অসিদা টুরিষ্টশিং লাকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি। কুমজা ২০১৪ অদুৱাইদগী মফম অসিদা ঈশিং লৈবা হৌরবনি। টুরিষ্ট স্পোট ওইনা মীয়াম্না য়েংবা লাক্লবগা লোয়ননা বোট তোংদুনা চৎনরিবনি। চহী ৪ হেন্না লৈরকপা অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎপা য়াবা থৌরাং কয়া পায়খৎপীনবা হায়জদুনা লাকপনি। রেস্ক্যু টিম থম্বীয়ু হায়বনচিংবা ৱাফম তকশিল্লকখিবা অদু মীৎয়েং চঙবীদনা লাক্লি। হৌজিক মফম অসিদা ছুটি নুমীৎতদি লম কোয়বা লাকপগী চাং অসি য়াম্না ৱাংই। রেস্ক্যু টিমনচিংবা থল্লম্লবদি বোট ঈশিংদা লুপ্পা তারবসু য়াম্না থুনা কনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈগদবনি। বোট লুপ্পদগী মীওই অহুম হৌজিক থিবা খঙদনা লৈরিবা অসি য়াম্না অৱাবা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা এক্স-এম এল এ, ডা. আই ইবোহলবীনা হায়খি, লম কোয়বা মশিং য়াম্না লাক্লবা টুরিষ্ট স্পোট হায়বসি লৈঙাক্লা নীংথিনা য়েংশিনফম থোকপনি। চদোংগী ঈশিং য়েংবা লাক্লিবা মীওইশিংনা বোট তোংদুনা চৎনরি। মসিদা তঙাইফদনা চেকশিনবা য়াবা থৌরাংশিং অদু মতম চানা লৌখৎহৌবা চঙই। অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ লাকপা হায়বসি তম্বা ঙম্বা নত্তে। ঙরাং নুংথিল অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অমা লাকপদগী চদোংদা হি তোংবা মীওই কয়া ঈশিংদা লুপশিনখিবদগী খরা অমা কনবা ঙমখ্রে। মীওই অহুমদি হৌজিক থিবা খঙদনা লৈরি। অসিগুম্বা লাইবক থীবা থৌদোক অসি তুংদা থোক্তনবা লৈঙাক্লা চেকশিন থৌরাং কয়া মতম চানা লৌখৎফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা এন ঈ আই দি পিগী মরুওইবা থৌ পুবা কয়া অমদি এক্স-এম এল এ, এস কুঞ্জকেশ্বরসু শরুক য়াখি। এন ঈ আই দি পিগী টিম অদুনা লমদম অদোমগী খুঞ্জা কয়াগসু থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱারী শানখি হায়রি।

# ভি দি এফশিংনা ইলেক্সন দ্যুটি তৌখিবগী পীফম থোকপা শেল শুনা পীবীদ্রে : রিয়াজ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): ইন্নর অমদি আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী মীখলদা দ্যুটি তৌখিবা ভি দি এফশিংগী পীফম থোকপা শেল শুনা পীবীদ্রে হায়না ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি রিয়াজ খাননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা রিয়াজ খাননা হায়খি, ভি দি এফশিং নুমীৎ মঙানি দ্যুটি তৌহল্লগা নোংমা নীনিখক্কী পীবীরে। জিরিবামগী রেলৱে টনেল হুৎলিবা মফম, বোর্দর এরিয়াদা ফাওবা ভি দি এফশিংনা পোষ্ট লৌরগা লৈরি। মফমশিং অসিদা দ্যুটি থারবসু চানবা চীঞ্জাক অমদি নোংমদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং অসি ফংবা লৈতে। কেম্প লৌরগা লৈরিবা মফমশিং অসিদা সী আর পি এফ, বি এস এফনচিংবা লৈরম্বা কয়া অমসু য়াওরি। ভি দি এফশিংনা মখা তানা লৈহৌরে। ভি দি এফশিং অসি হল্লগে হায়বদা য়াদবা, মখা তানা দ্যুটি তৌদুনা লৈয়ু হায়রকপা কয়া অমসু য়াওরি। মফমশিং অদুদা পোষ্ট লৌহল্লগা লৈবা অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংদা হায়রুরগসু মতম খরা ঙাইখো, ওর্দর থোক্লগে হায়না থম্লি। পোষ্টশিং অসিদা লৈবা মতমদা লৈঙাক্লা লুপা ১৫০০ পীগদবনি হায়বা ওর্দর লৈ। ওর্দরসিগী মখাদা পীফম থোকপা শেল শুনা পীবীদবা য়াওরি। লুপা ৫০০ গুম্বা পীবা অদুগা লুপা ১০০০ না ককহৌবা কয়াসু লৈরি। হৌজিক মীখল লোইখ্রে। মে ২৩ দা ইলেক্সন হায়দোক্লিবফাওবা লৈগদবনি হায়না থম্বীবা কয়া য়াওরি। মরী লৈনবশিংদা হায়রুবা মতমদসু নখোয়না ঙম্ন-ঙম্নবা চাও হায়না থম্বীরি। মফমশিং অদুদা চান-থক্লবা লৈতবনা অরুবা ফীভম মায়োক্লরি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

আউটরগী দ্যুটি থাবা মতমদা টি এ নোংমদা লুপা ১৫০ শাগদবনি। নুমীৎ হুম্নীগী লুপা ৪৫০ পীফম থোকপদা লুপা ৪০০ পীরগা লুপা ৫০ ককহৌবা য়াওরি। দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিদা হায়রুরগসু কিহল্লকপনচিংবা তোয়না থোকই। চহী চহীগী ভি দি এফকী এক্সটেন্সন ওর্দর মার্চতা পী। হন্দক্কীদি এক্সটেন্সন ওর্দর অসি মার্চতা পীগদবদা ফংদবদগী মার্চ থাগী তোলোপ অমদি রসন মনি কায়বা য়াদনা লৈ। হিরম অসিগী মতাংদসু ওফিসলশিংদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে। ঙসি ফাওবদা তাবীদে। অথুবদা এক্সটেন্সন ওর্দর থোকপীয়ু হায়নসু মখা তাখি।

# মেগী অহানবা চয়োলদা রিফোর্ম তৌরগনি : এমসু

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী থৌমীশিং অরি-অনৌ শীন্নদুনা কুমজা ২০১৯-২১ সেসনগী থৌ পুনবা মেগী অহানবা চয়োলদা রিফোর্ম তৌরগনি হায়না এমসুগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি লুনপাও লুফেংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরগী মহৈরোয়শিংগী অপূনবা লূপ এমসুনা ইরমদম অসিগী লৈমায়দা কুমজা ১৯৬৫ তা শাফোঙলকপদগী ঙসি ফাওবা শোথরবা খুন্নাই অসিগী হিরম কয়াদা মান্নবা খুন্নাই অমদা পুখৎপা ঙম্নবা লেপ্তুনা হোৎনদুনা লাকপা চহী ৫৩ হেল্লক্লে। ঙসিগী মহৈরোয় অমদি মীয়াম্না তুংগী মতিং লৈবা খুন্নাই অমগীদমক হোৎনবা কনবা অমদি শিংনরকপা খুদিংমক থৌনা লৈনা থেংনবা ঙম্নবা ঐখোয় পুকচেল খোয়জেল তীন্ননা পুন্না হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। হিরম খরদা লৈঙাক অসিনা মীথোই মীহেনবা ওইবা ঙল্লবসু মপুং ওইবা হিরম কয়াদদি মীপাল তাঙলি, শোথরি হায়বসি ইরমদম অসিগী মীয়াম্না নীংশিংমিন্নসি। খুন্নাই অসিগী শোথরিবা হিরম কয়া অসিবু মাঙলোমদা পুখৎপা ঙম্নবা এমসুগী দিষ্ট্রিক্টকীশিংগী থৌমীশিং অরি-অনৌ শীন্নদুনা রিফোর্ম তৌরগনি হায়রি।

# এম এস এফ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি শেমখ্রে, থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯(ঐচ এন এস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি ২০১৯-২০ রিফোর্ম তৌখ্রে। কম্মিটি অসিগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়না এম এস এফকী পব্লিসিটি ইন-চার্জ বিদ্যাসাগরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এম এস এফনা লিশাং শিৎনা চত্থরকপা একাদেমীক কেম্প্যেন ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বা অসিগী মখাদা মহৈরোয়শিংদা অঙন্বা মতেং তৌদুনা লাক্লি। কেম্প্যেন অসিবু মপুং ফাহন্নবগীদমক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা লৈরিবা স্কুল-কোলেজশিংগী মহৈরোয়শিংগা এম এস এফ হেদ ওফিস ক্বাকৈথেলদা পুন্না ফম্মিন্নদুনা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে। এম এস এফকী প্রসিদেন্ট এন জি মিলননা মহৈরোয়শিংদা ৱাফম কয়া থমখিবগা লোয়ননা এম এস এফ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি ২০১৯-২০ রিফোর্ম তৌখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি ২০১৯-২০ গী থৌ পুগদবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টদা এন ৱারিশ অক্রাম, ভাইস প্রসিদেন্টদা নাওতম বোবিচান্দ, জেনরেল সেক্রেটরিদা নান্দেবম রোমেন্দ্রো, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা অয়েকপম জিম্বা মৈতৈ, পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা লাইরিকয়েংবম কর্নজিৎ, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা খুল্লাকপম ইমরান শাহ, ৱিমেন এফেয়রস সেক্রেটরিদা ধনমঞ্জুরি য়াংলেম, এগজিক্যুটিব মেম্বরদা ক্ষেত্রিময়ুম লল্লেমা, কৈশাম লোয়াঙম্বা, লম্বামযুম নোংলেম্বা, কে ঐচ সলাম শাহ, এস অমর্জিৎ, খোইস্নাম স্কোলিন, বোনা কোন্সম, কে ঐচ প্রিয়াঙ্কা, সগোলশেম ব্রেজিও য়াওনা থৌ পুবা কয়া য়াওরি হায়রি।

# সলাদ য়োনদুনা শেল তানবগা লোয়ননা মায় পাকপা শান্নরোয় ওইনবসু হোৎনরিবী দাইনাদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): সলাদ য়োন্দুনা শেল তানবগা ঈরোয়ননা শান্ন-খোৎনবগী লমদসু টাই ক্বান্দোগী মায় পাকপা শান্নরোয় ওইনবা হোৎনরিবী নিঙোম্বম দাইনাদা ঙসি সী সী হায়র সেকেন্দরিগী ১৯৯৩-৯৫ বেটচকী টিমনা লুপা লিশিং ১০ গী শেলগী মতেং পীখ্রে।

তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা দাইনাগী য়ুমদা ঙসি সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ১৯৯৩-৯৫ বেটচকী টিমনা শেলগী তেংবাং অদু পীখি। টিম অদুদা শরুক য়ারকখিবা এম জোনিনা ফোঙদোকখিবদা, দাইনানা সলাদ য়োন্দুনা শেল তান্নবা হোৎনবগা লোয়ননা শান্ন-খোৎনবগী লমদসু হোৎনজরিবা কয়া অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই। মহাক্লা হোৎনজরিবা কয়া অসিবু ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা ঙসি সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ১৯৯৩-৯৫ বেটচকী টিমনা শেল খরা খরা খায়নরগা অঙম্বা মতেং খরা পাংজবনি। মখা তানসু অঙম্বা শেল খায়নরগা পাংবা য়াবশিং পাংনবা হোৎনগনি। মায় পাকপা শান্নরোয় অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনবগা লোয়ননা শেল তান্নবসু হোৎনজরিবী দাইনাবু থাগৎলি।

শান্ন-খোৎনবগী লমদা থৱায় য়াওজবা কয়াদা শৌগৎপীবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। শান্নরোয়শিংনা হোৎনজরকপা কয়াদা অঙম্বা মতেংশিং পাংবীদুনা মখোয়বু মায় পাকপা পুরক্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। অখাং কন্না হোৎনরিবী দাইনাবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা অঙম্বা মতেং পাংবা লাক্লিবনি। ঐখোয় পুন্নমক্লা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

নিঙোম্বম দাইনানা ফোঙদোকখিবদা, টাই ক্বান্দো শান্নরোয় অমা ওইনা মশান্না অসিদা মায় পাক্লবা কন্না হোৎনদুনা লাকখি। শেলগী তঙাইফদবা কয়াসু লৈবনা কুমজা ২০১৫ অদুৱাইদগী সলাদ য়োনবা হৌরকখি। সলাদ য়োন্দুনা শেল তাল্লগা ইমুং-মনুংগীসু মতেং খরদা ওইরবসু পাংবা অমদি শান্ন-খোৎনবগী ওইনসু চঙদবা য়াদবা কয়াদা শীজিন্ননবা হোৎনবনি। মতেং পাংবা লাকপীরিবা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই। মপান লমদা টুর্নামেন্টনচিংবা তারকপা মতমদা শেল লৈতবদগী চৎপা ঙমদবগী অৱাবসু লৈ। ইন্দিয়া মনুংদা তাবশিংদি চৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# শ্যামকুমারবু বোয়কোট তৌরে হায়খিবদু য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি : অনিশ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯(ঐচ এন এস): মিনিষ্টর শ্যামকুমারবু সোসল বোয়কোট তৌরে হায়না মীওই খরনা ক্লব কয়াগী মিং শীজিন্নরগা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফমনি হায়না চঙমদবী মহমদন ক্লবকী প্রসিদেন্ট এম দি অনিশ শাহনা ফোঙদোকখ্রে।

চঙমদবী মহমদন ক্লবকী শঙলেন্দা কৈশারোক য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন চঙমদবী অমসুং ইদিগা ক্লবকী থৌ পুবা কয়া য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা অনিশ শাহনা হায়খি, চঙমদবী মহমদন ক্লব অসি চঙমদবী খুলগী তংখায় অমরোমদি কোল্লি। মাইনোরিটি মুস্লিমশিংনা খুন্দারিবা মফম অসিদা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। মীওই খরনা ক্লব কয়াগী মিং শীজিন্নদুনা শ্যামকুমারবু সোসল বোয়কোট তৌরে হায়বদু অরানবা ৱাফমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা কৈশারোক য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি অলম খাননা ফোঙদোকখিবদা, ঙরাং পাউমীশিং উনবদা য়াওই হায়রিবা কবরষ্টান ক্লব অসি চঙমদবীদা অমুক্তা ফাওবা মমিং তানদ্রি।

অমরোমদা, য়াইরিপোক লাইমনাইদা পাউমীশিংগা উনবদা দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অন্দ্রো কেন্দ্রগী ৱিমেন ৱিংগী প্রসিদেন্ট প্রেমিতানা, মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী লীচিং মখাদা লাইমনাইদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

# লম কোয়বা লাক্লিবশিংগী সেফ্টিগীদমক লৈঙাক্লা থবক লৌখৎকদবনি:গাইখাঙম

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯(ঐচ এন এস): চদোংদা লম কোয়বা লাকপা মীওই কয়া বোট লুপ্পা অমদি ঈশিংদা ঈরাক্লদুনা শিবগী থৌদোক কয়া থোরক্লিবা অসি য়েংলগা লৈঙাক্লা লম কোয়বশিংগী সেফ্টিগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকদবনি হায়না এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা ফোঙদোকখ্রে।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চদোংদা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুদা হি লুপ্পদা য়াওখ্রবা মীওই অহুম হৌজিক থিবা খঙদনা লৈরি। থিবা খঙদ্রিবা মীওই অহুম অসি এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী মচেগী মচাশিং য়াওরি। লাইবক থীবা থৌদোক অসিগীদমক অৱাবা ফোঙদোক্লি।

চদোং অসি টুরিষ্টকী য়াম্না মরুওইবা মফম অমা ওইরকপগা লোয়ননা লম কোয়বগী মশিংসু হেনগৎলক্লি। ফীভম অসি য়েংলগা লৈঙাক্লসু তঙাইফদনা চঙফম থোকপা মীৎয়েংশিং চঙবা তঙাইফদে। হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদসু চদোংদা লম কোয়বা লাকপদা ঈশিংদা তাদুনা লৈখিদবগী থৌদোক থোকখ্রে হায়বগী ৱাফম লৈরি। মসিদা লৈঙাক্লসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

ঈশিংগী ঈপাক ওইরিবা মফম অসিদা বোটশিং তোংদুনা কোয়রিবা কয়া অসিগী সেফ্টিগীদমক লৌখৎপা য়াবশিং লৌখৎপা চঙই। দাইবিংগী এক্সপার্ট ওইরবা টিমসু য়াওনা রেস্ক্যু টিম থমদুনা খুদোংথিবা থৌদোক অমা হেক থোক্লকপদা য়াম্না থুনা চঙশিন্দুনা কনবা ঙম্নবা থৌরাং পায়খৎপা তঙাইফদে। লৈঙাক্লা হিরম অসিদা মীৎয়েং চঙবগী মতম ওইরে। মফম অসিদা বোট সার্ভিস তৌদুনা লৈরিবশিংসু হিংনবগী লম্বী থিরিবনি।

টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন অমা ওইরক্তুনা নোংমদা মী মশিং য়াম্না লম কোয়বা লাক্লবা মফম ওইরক্লি। লম কোয়বা লাক্লিবশিং অসিগী সেফ্টিগী থবক থৌরাং লৌখৎপা হায়বসি লৈঙাক্কী থৌদাংনি। মীওই কয়াসু মমাঙদা চদোংগী ঈশিংদা তাদুনা শিবগী ৱাফম লৈখিবনা মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্তনবা থৌরাংশিং পায়খৎফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

চদোংদা চৎপগী খোঙচৎ অদুদা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন, এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম, ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইখিবা ও নবকিশ্বরসু শরুক য়াখি। লমদম অদোমগী মীওই কয়াগসু থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱারী শাখি। মফম অদুদা কোয়না চৎতুনা ফীভমশিংসু য়েংশিনখি হায়নসু মখা তারি।

# জে এন এম দি এনা শীন্দুনা ইন্টরনেসনল দান্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯(ঐচ এন এস): জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী, ইম্ফাললনা শীন্দুনা একাদেমী অসিগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি ইন্টরনেসনল দান্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা জে এন এম দি এগী ভাইস চ্যেরমেন প্রোফেসর ঐচ তোম্বীনা হায়খি, কুমজা ১৯৯২ গী এপ্রিল ২৯ দা য়ুনেস্কোনা ইন্টরনেসনল দান্স দে হায়না লাউথোক্তুনা থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ফ্রান্সকী বালে জাস নোবেলিগী মপোক নুমীৎ লৌদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপা হৌরকখিবনি। দান্স হায়বসিদা কপ্পা, নোকপা কয়া য়াওরি। দান্স ইন স্পিরিচুয়েল হায়বা থীমদা থৌরম পাঙথোকপসি য়াম্না ফজে। ইপা-ইপুশিংনা চৎনদুনা লাক্লবা অমসুনি। মণিপুরগী ওইনা দান্স হায়বা হিরমসিদা লৈঙাক্লা কয়া য়েংশিনবীদে। আর্টিষ্টশিংগী পেন্সনসু লৈহনবীয়ু। চহী ১৫ হেল্লক্লবসু কলচরেল পোলিসী ঙসি ফাওবা পুথোকপা ঙমদ্রি। কলচরেল পোলিসী পুথোক্লবা থৌরাং তৌরকখিবা শাংলবা মতম অসিদা হৌজিক ফাওবা পোলিসী পুথোকপা ঙমদনা লৈরিবনি। দান্সকী মরমদা নীংথিনা খঙমিন্ননবা হোৎনবা তঙাইফদে। দান্সকী মরুওইবা কয়া লৈবনা ইন্টরনেসনল দান্স দেগী থৌরম পাঙথোক্লিবনি। জে এন এম দি এনসু ইন্টরনেসনল দান্স দেগী থৌরম পাঙথোরক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ঠিএটর সেন্টর মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱারেপ্পা নব পদ্মশ্রীনা হায়খি, ইন্টরনেসনল দান্স দে হায়বসিদা মণিপুরী জগোয়সু মশক তাক্লবা হোৎনবা চঙই। ঐখোয়না ঙসি উরিবা জগোয় অসিদা লৈরিবা ৱাখল্লোন কয়া অসি লাইওইখ্রবা ওজাশিংদি নীংথিনা খঙলম্মী। জগোয়গী লৈরিবা ফজরবা কাঙলোন কয়া অসি ঐখোয়নসু খঙবা চঙই। মণিপুরী জগোয়বু মশক তাক্লবা হোৎনবদা ঐখোয়না অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা মণিপুরী দান্সর এ লক্ষ্মীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। তুংদা ফয়েং হরাওবা, কোম ট্রাইবেল দান্স, মোন্সাং দান্স, চোথে, তরাও দান্স অমসুং সদাঞ্জলি উৎখি।

# পিছফুল কো-এগজিসটেন্সকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি (মপি) কাউন্সীলনা পি কুনোমফাই ভিলেজ ওথোরিটিগা খুৎশম্নবা শীন্দুনা খুল অসিদা ঙরাং পিছফুল কো-এগজিসটেন্সকী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মপি কাউন্সীলগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নসি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কুনোমফাই ভিলেজদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মপি কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট এন বিমোল, খুলগী নিংথৌ লুনথোন হাওকিপ অমদি ৱিমেন সোসাইটিগী হচিননা ময়াই তাংবলদা ফমখি। য়ুম্নাক ৩৫ রোম খুন্দাবা কুকিশিংনা লৈবা খুল অসিদা মপি কাউন্সীলনা মমাঙদা হেল্থ কেম্প পাঙথোকখিবা লৈখ্রে। খুলগী চর্চকীদমক পব্লিক টোইলেট অমা শাখিবদা অচৌবা মতেং পাংখি। মখা তারকপা ওইনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা খুলগী মীয়াম্না থানবগীদমক উমোরোক চারা ২৮০ রোম য়েম্থোকখি। খুলদুগা চান্নবা পোথোকশিং হেন্না মরাং কায়না থাদুনা পোথোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনমিন্নবা চঙই হায়না খুলগী নিংথৌ অমদি কুকিশিংনা ফোঙদোরকখি।

লম্বী-থোং নীংথিনা ফহন্দুনা খুলদা পুথোক্লিবা পোথোকশিং অসি মফম মতম চানা কৈথেলশিংদা য়োনবা ঙম্নবদি শেন্মীৎলোনদা চাউনা মতেং পাংবা ঙমগনি। পোথোকশিং লৌরিবশিংগা হেন্না অফবা মরী লৈনরক্কনি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসিদা মপি কাউন্সীলনা অঙম্বা থাক্তা লম্বীশিং অসি ফহন্নবা হোৎনবদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনসু হোৎনবীয়ু। মতম মতমগী ট্রেনিং প্রোগ্রামনচিংবা পাঙথোক্তুনা খুল অসিগী মীওইশিংবু থৱায় য়াওনা থবক পায়খৎনবা হোৎনবা মথৌ তাই। চীংগা তায়ননা তারিবা মফমশিং অসিদসু হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা অফবা মরী থম্নবা হোৎনবদা হিংনবগী শেন্থোক লম্বীশিং অসি পায়খৎমিন্নবা চঙই। শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবগীদমক পুন্না তৌমিন্নবা য়াবা হিরম খুদিংমক্তা অমত্তা ওইনা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই। ৱাখল্লোন অসিগা মরী লৈননা মপি কাউন্সীলনা অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

মপি কাউন্সীল অমদি পি কুনোমফাই ভিলেজ ওথোরিটিগা খুৎশম্নবা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাঙাঙলোয় কয়ানা নুংশি-চান্ননা, ঈংনা চিক্লা লৈমিন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। খুল অসিদা চান্নবা মহৈ-মরোং কয়া থাদুনা খুঞ্জাশিংগী শেন্থোক লম্বী লৈহনবগা লোয়ননা নুংঙাইবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অমত্তা ওইনা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা ৱাফম কয়াসু থমখি।

খুল অসিদা পুথোক্লিবা মহৈ-মরোং অমদি মনা-মশিং মখল কয়া অসিসু কৈথেলশিংদা মতম চানা য়োনবা ঙম্নবদি শেন্মীৎলোন্দা চাউনা মতেং ওইবা য়াগদবনা লম্বী-থোং ফহনবগী তঙাইফদবা ৱাফম কয়াসু থমখি। খুল অদুগী খুঞ্জা কয়ানা লম্বী থোং নীংথিনা শেমহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অদুদা মপি কাউন্সীলগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি। থবক থৌরম কয়া পুন্না তৌমিন্নদুনা নুংঙাই-য়াইফবা লমদম অমা ওইনবগীদমক ৱাফম কয়াসু থমখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

SPOKEN ENGLISH & COMPUTER
Join at anytime for X,XI,XII students, collegians, office goers, etc.
➡Centre 1: Waheng Leikai, near Bheigo Hotel, Imphal.
Sir Tejkumar, teaching since 1987, #6909651741, 9089825142
➡Centre 2: Keishampat Leimajam Leikai, near community hall.
Miss Alice, M.A. English, Panjab University (Lexica), #9089685408
Grammar, Vocabulary, Pronunciation, Group discussion, Public Speaking, Personality Development, Audio and visual classes, Special care for weak students
Only for seniors at 5 am (Centre 1)
100% English Fluency Guaranteed
Free 1 month computer course with one English course
Centre 1: 6:10 am, 7:30 am, 10:00 am, 11:30 am, 1:30 pm, 4:00pm Centre 2: 6:00 am, 7:30 am, 11:00 am, 3:30 pm

HL-B/5356/26/4-24/6

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN FOUNDATION COURSE : 2ND BATCH FOR 2019 (Time 4:30 to 7:30 pm )
Class 3 to10 Starts on 22nd May, 19 ( 3 to 8 BOSEM & CBSE)
TOPPERS of 2018


VAN AVAILABLE
1. THOUBAL, LILONG, CANCHIPUR
2. OINAM, NAMBOL, MALOM
3. MAYANG - IMPHAL, SAMUROU
4. SEKMAI, MANTRIPUKHRI
5. MOIDANGPOK, KHUMBONG & PATSOI
6. PHEIDINGA, LAMSANG, LANGOL
7. GREATER IMPHAL AREA
Contact - 7628946313 9402897710 8732022342
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
STUDENTS OF NIRMALABAS, LITTLE FLOWER, HERITAGE, ST. JOSEPH, TINY TOTS, CATHOLIC SCHOOL, REGULAR, LEE FAITH, CHRIST JYOTI & OTHERS.
LIMITED SEAT
Last Date of Form Submission 16th May.